# ষ্টেটনা মেরি কোম ১সুং সরিতাদা লুপা লাক্ষ ১০/১০গী মনা পীনবা লাওথোকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল***, *মার্চ ২৭ঃ* মোঙ্গোলিয়াগী উলানবাটরদা পাঙথোকখিবা ৬ শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদলশিং লৌরকখ্রবা মণিপুর এমসি মেরি কোম অমসুং লাইশ্রম সরিতা অনিবু ষ্টেট সরকারনা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা লুপা লাক্ষ ১০/১০ গী মনা পীননবা লাওথোকখ্রে।

শান্নরোই অনি অদুনা লৈবাক অসিগী অমসুং ষ্টেটসিগী মীংচৎ পুরকখিবদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হায়রিবা শেনফম অদু মনা ওইনা পীননবা ঙসি লৈমখোংগী রেদ সিল্ড দিভিজনগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা সরেন্দরি প্রোগ্রামদা লাওথোকখি।

ঙরাং ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা শান্নরোই অনি অদুনা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখিবা অদু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লুপা লাক্ষ ১০/১০ গী শেলগী মনা অদু পীননবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং ঙসি চিফ মিনিষ্টরনা থৌরম অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা লাওথোকখি।

চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ৱাফম অদু লাওথোক্লদুনা হায়, লমদম অসিদা শান্ন-খোৎনবগী হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোই কয়া থোক্লকপা অসিনা ঐখোয় খুদিংমকনা পুক্নিং মণিপুরী অমা ওইনা চাওথোকচরি। মালেমগী থাক্তা ষ্টেটসিগী শান্নরোই কয়ানা গোল্ড মেদল লৌদুনা মিংচৎ পুরক্লি। মেরি কোম অমসুং সরিতা অনি অসি এক্সত্রা ওর্দিনরি ওইবা থংন-থংননা গোল্ড মেদল কয়ারক পুরক্তুনা লৈবাক অসিগী অমসুং ষ্টেটসিগী মায় পুরকপা শান্নরোই ওইরি। মখোয় অনিগী থৌনা লিংজেলবু পুক্নিং থৌগৎতুনা মখোয় অনিগী গোল্ড মেদলগী পার্ফোমেন্স অদু শকখঙবা ওইনা ঙরাং ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটনা লুপা লাক্ষ ১০/১০গী শেলগী ইন্সেনটিভ এৱার্ড পীনবা ৱারেপ লৌখি হায়না ফোঙদোকখি।